**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

২) মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা রেজিং ডেগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি।

৩) কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসন ২০২৫ গী মনা ফংলে।

৪) বিহার বিধান সভা মাখলগী অহানবা তাঙক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) লখনৌ ব্রহ্মোস এরো স্পেচ য়ুনিত্তা শাবা ব্রহ্মোস মিসাইলগী অহানবা বেটচ ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

------

ভল্লা (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা চৎতুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা রাজ্যপালনা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা জিলা অদুগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা জিলা অসিদা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে পাইয়র ব্রিজ অমসুং অতৈ মফমশিংসু চৎতুনা য়েংশিনখি।

পালন (এল)ঃ ‘মনিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ’ পালন থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি। ইং ১৯৪৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা রাজ্য অসিদা মীয়ামগী লৈঙাক চৎনবা হৌখিবনি।

কমিতি ওন সিতিল সোসাইতিজ কংলৈপাক (সি.সি.এস.কে)না শিন্দুনা কংলৈপাক মণিপুরগী পুৱারীদা মীয়ামগী অহানবা লৈঙাক লৈখিবা নুমিৎ পালন ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংমৈবুংদা লৈবা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা সি.সি.এস.কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- মণিপুরনা ভারত্তা তিন্দ্রিঁঙৈ মমাংদা মীয়ামনা মীখলদা খল্লকপা মীহুৎশিংগী ওইবা অহানবা মীফম সনা কোনুংগী দরবার হোলদা ১৯৪৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি মণিপুরগী পুৱারীদা য়ামা চাওথোখচনিঙাই ওইবা মীকুপ অমনি। মতমদুগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না লেপখিবা ফিরেপ অদু ঐখোয়না খুদুং ইনদুনা চৎমিন্নশি।

য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুর, নেসনেল আইদেন্টিতি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো) অমসুং মনিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কাউন্সিল (মপি কাউন্সিল) মনিপুরনা পুন্না শিনদুনা ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা ‘মনিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ’ পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেটেন্ট প্রোফেসার ডাঃ শাপম দিলিপ কুমারনা রিছোর্স পাসর্ন ওইনা ৱা ঙাংখি।

ইপোম (এল)ঃ ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইপোম)নসু অনিসুবা নেসনেল দেমোক্রেসি ডেগী থৌরম ঙসি দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পসকী দি.এম কলেজ ওফ কম্মর্সতা পাঙথোকখ্রে। ফোর এ কম্মন পোলিতিকেল ফিচর হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা রিটায়ার্দ প্রোফেসার দব্লিউ. নবাকুমার, এম.য়ুগী হান্নগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রর ডাঃ ওইনাম কুলাবিধুনচিংবা শরুক য়াখি।

হেন্দলুম (এল)ঃ দা মনিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফটস আর্টিসিয়ান্স সি.এস. লিমিটেদ (অৱাস) না শিনদুনা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগা মরী লৈননা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা ইগজিবিসন ঙসিদগী হৌখ্রে।

থা অসিগী ২২ ফাওবা চখ্থগদবা একজিবিসন অসি জি.আই. অমসুং হেন্দলুমগী ওইবা পোৎথোকশিংগী বাইয়র সেল্লর কম ইগজিবিসন অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিদিম গ্রাউন্দগী মায়োকবদা লৈবা য়ুথ রাইজিং গ্রাউন্দদা পাঙথোকপনি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী ১৩৪ শুবা রেজিং ডেগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি। মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, দি.জি.পি রাজিভ সিংহ অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

রাজ্যপালনা পেরেদ য়েংলবা মতুং ৬ শুবা আই.আর.বিগী কম্মান্দেন্ট শরাংথেম ইবোমচানা লুচিংবা নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওক্কনি। পেরেদ অসিদা পুন্না কন্টিঞ্জেন্ট ১২ না শরুক য়াগনি। তুংদা রাজ্যপালনা ট্রোফি অমসুং এৱার্দ য়েন্থোক্কনি।

মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী মরুওইবা মফমশিংদা পুলিস পিকেট হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চখ্খরি।

মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগা মরী লৈননা ঙসি কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী ইম্ফাল এয়ারপোর্ট মনাক্তা লৈবা তেরিতোরিয়েল আর্মিগী গেট ফাওবা কিলোমিতর ১৬ শাংবা অমসুং কিলোমিতর ৫ শাংবা লমজেল অমা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ১৩৪ শুবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগা মরী লৈননা হয়েং কিলোমিতর ১০ গী পুলিস পার্সোনেল খক্তগী ওইবা  লমজেল অমা পাঙথোক্কনি।

এৱার্দ (এল)ঃ দি.জি.পি মণিপুর ত্রোফি ফোর বেষ্ট পুলিস ষ্টেসন ২০২৫ গী অহানবা মনা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন্না তারে, অনিসুবনা সিতি পুলিস ষ্টেসন অমসুং অহুমসুবা খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসন্না বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্না তারে।

খ্বাইদগী ফবা পুলিস ওফিসারনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইন্সপেক্তর গুনচন্দ্র চনমনা তারে। মনাশিং অসি হয়েং পাঙথোক্কদবা মণিপুর পুলিস রেজিং ডে নুমিৎতা য়েন্থোক্কনি।

মরিং (এল)ঃ মরিং ফুরুপকী লৌরোক পন্থাগা মরী লৈনবা কুম্মৈ লমক্লাই কুমোই ফেষ্টিভেল ঙসি তেংনৌপল জিলাগী লাইচিং পানশংদা লৈবা অমসা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। কুম্মৈ অসি মরিং উপারুপ এসেমব্লিগী মখাদা লমক্লাই ফেষ্টিভেল কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

মরিরক শুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল মণিং উপারুপ এসেমব্লিগী প্রসিদেন্ট কে. য়াইমানা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লমক্লাই ফেষ্টিভেল কমিতিগী কনভিনর দি. মিরান্না হায়- মরিং হায়বসি মৈরিং হায়বা ৱাহৈ অদুদগী লাকপখিবনি। মীওইবনা খ্বাইদগী মরুওইনা লৌনরিবা মৈ অসি মরিংশিংনা উ অমদি ৱাদগী শেন্বা থৌরিদগী মৈপা চিংদুনা মৈ হৌরগা মৈ অদু ওমদুনা থল্লগা শিজিন্নরম্মী হায়না থাজনরি। ফুরুপ অসিগীসু

য়েলহৌঙেদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা চৎনবী, ফিজেৎ চাকচা অমদি হৱাউ কুম্মৈ কয়া লৈজরি। মসিগী মনুংদা ঙসিগী ফেষ্টিভেল অসিসু খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি।

কাংপোকপী (এল)ঃ   থাদৌ কুকি লিটরেচর সোসাইতিনা শিন্দুনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা পরিক্ষাদা থাদৌ কুকি লোলদা মার্ক খ্বাইদগী য়ামা ফংবা মহৈরোই মঙাদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। কাংপোকপী জিলা কৈথেলবানবী মিলিটরি কোলোনিদা লৈবা নাইমেল চিলদ্রেন স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা সেনাপতিগী এদ্দিসনেল এস.পি. থাংখোচোন হাওকিপনা মহৈরোইশিং অদুদা শেলগী মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

ফিট ইন্দিয়া (এল)ঃ   ফিট ইন্দিয়া কেম্পেন কমিতি, ফিট ইন্দিয়া ক্লব অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এন.এস.এস সেলনা শিন্দুনা স্বাচ ভারতকী মখাদা ফিট ইন্দিয়া ফ্রিদম রন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। লমজেল অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ত্রাফিক পোইন্টতগী ঙসি অয়ুক পুং ৭ তা লমথাখি।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিং জিলাগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রমনা হায়রি-হৌজিক্কি মতম অসিদা যোগ শান্নবা অসি মীয়ামা য়ামা পামবা মশান্না অমা ওইরক্লি।

ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট যোগ ত্রেনিং এন্দ রিছার্স এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা অহানবা রাজ্য থাক্কী যোগসনা চাংদমবগী হৌদোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি প্রিয়াদরসিনিনা হায়- যোগ শান্নবনা পুকিং চরাংনবা, ৱাখল নুংঙাইতবা অমদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌব কান্নবা ওইরি। যোগ চাং নাইনা শান্নবনা হকচাং অমদি পুকিং ৱাখল ফগৎহন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা ইশা ইশাসু শরুক য়ামিন্নশি। মহাকা হায়- মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মীওই অয়াম্বা

পোত্থাফম খণ্ডদবা অমদি লাংতকবা ফাওবা হেনগৎলক্লি। মসিদগী কোকনবা যোগ চাং নাইনা শান্নশি।

কর্ম্ম যোগি (এল)ঃ রাষ্ট্রিয়া কর্ম্ম যোগি এন্দ ভেল্যুএবল এফর্টস টুৱার্দস বিল্ডিং এ ভিক্সিত ভারত হায়বসিদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফালগী রিমসতা পাঙথোকখ্রে। রিমসনা শিনবা থৌরম অসি লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎপগী লন্বীদা পুরকবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

বিহার ঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোকখ্রে। তাঙ্কক অসিগী ওইনা পুন্না মীরেপচে লিশিং ১,৬৯৮ পীশিল্লকখি। মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা হংচিৎনি। অহানবা তাঙ্কক অসিগী ভোৎ মথং থাগী ৬ তা থাদনগনি। মসিদা রাজ্য অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা মীখল পাঙথোক্কনি।

মীখল অসিগীদমক বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি পাটনাদা লোক জনশক্তি পার্তি (রামবিলাস) কী প্রসিদেন্ট চিরাক পাসৱানগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা বিহার বিধান সভা মীখলগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং খন্নখি অমদি পুন্না ভোৎ খোম্মিন্নবগী ৱাফমশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

মদুগী মমাংদা শ্রী অমিত সাহনা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং জনতা দল য়ুনাইতেদকী প্রসিদেন্ট নিতিশ কুমারগা মুখ্য মন্ত্রিগী রেসিদেন্সতা উন্নখি। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা বিহারদা থুংলখিবনি।

রাজনাথ ঃ কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ অমসুং উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথ, উত্তর প্রদেশকী লখনৌদা লৈবা ব্রহমোস এরো স্পেচ য়ুনিত্তা শাবা ব্রহমোস মিসাইলগী অহানবা বেটচ ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- ব্রহমোস অসি ইচম চম্বা মিসাইল নত্তে, মসি লৈবাক অসিগী ওইবা তৌবা ঙম্বা অদুগী খুদম অমনি।

দিফেন্স মেন্যুফেকচরিং সেক্তরদা ভারত অসি ঙসিদি খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্বতা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা ভারতকা টেকিকেলগী লমদা মতেং লৌনিংবগী অপাম্বা ফোংদোকরক্লি।

সিতারমন ঃ শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়রি- জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরো রিফোর্ম অসিনা কুম্মৈগী মতম অসিদা ইলেক্ত্রোনিক্স, ওতো মোবাইলস অমসুং তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াদা জি.এস.টি লৌবগী চাংদা চাউনা অহোংবা লাকপদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা পোৎ চৈ য়োনবগী চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লি।

নিউ দিল্লিদা জি.এস.টি বচৎ উৎসবকী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- জি.এস.টি লৌবগী চাং অসি মীচম মীয়ামগী য়েংদুনা চাং ৱাংনা হন্থহন্দুনা কান্নবা ফংহনবা ঙমলে।

বৈষ্ণো ঃ ইলেক্ত্রোনিক্স অমসুং ইনফোর্মেসন টেকোলোজি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- লৈবাক অসিগী চাদা ৯০ দি ফাইভ জি নেটৱার্ক য়ৌহনবা ঙমলে। মসিনা মালেমদা লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা অঙকপা পোকহল্লে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মালেমগী মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- মালেম অসিদা ভারত অসি ফাইভ-জি নেটৱার্ককী লমদা অনিসুবা মফমদা লৈরে। মসিনা মনুং হুঞ্জিন্না অমদি সহরদগী লাপা লৈবা মফমশিংদা নেটৱার্ক ফংবগী চাং হেনগৎহল্লে।

শ্রীলঙ্কা ঃ শ্রীলঙ্কাগী প্রধান মন্ত্রি হরিনি অমারাসুরিয়ানা ২০২২ দা শ্রীলঙ্কাদা ইকোনোমিক ক্রাইসিস থোকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তেংবাংবীরকপদগী শ্রী মোদিবু ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মহাকা হায়- ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কানা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা হেন্না মরী চেৎশিনহন্নবা মীৎয়েং থম্বগী তঙাইফদবা লৈ।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি অথ্‌বা মতমদা মাওইষ্ট অমসুং নক্সলাইট লৈতবা লমদম অমা ওইরগনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা মাওইষ্ট তেরোরিজম থিংনবা অকনবা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

ৱাফম অসি নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড সম্মিৎ ইভেন্টতা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। শ্রী মোদিনা হায়- মাওইষ্ট তেরোরিজম অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংগী মায়োক্তা চত্থরকপা অচৌবা পাপকী মশক ওইবা খোঙথাং অমনি। হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা য়াল্লবা নক্সলাইট কয়া হিংশাগী থবকশিং থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হং ২০১৪ দগী হৌদুনা মহাক্কী সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী লান্না লমজিংবীখ্রবা নহা কয়াবু অচুম্বা লম্বীদা পুরকবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। চহি ১১ রোমগী মমাংদা লৈবাক অসিগী জিলা ১২৫ রোমদা মাওইষ্টশিংগী চৈথেং ফংদুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি জিলা ১১ খক্তদা হন্থহনবা ঙমলে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফূটবোলঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২২ সুবা লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.দব্লিউ.সি কৈরেকা ৱাই.দব্লিউ.য়ু ককচিংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

বোদি ঃ ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৬৩ শুবা মিষ্টর মণিপুর ২০২৫ চহি অসিগী দিসেম্বর ১৩ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। কম্পিতিসন অসি পুন্না কেটাগোরি ৬ তা পাঙথোক্কনি। কেটাগোরিশিং অসিদা সেনিয়র, জ্‌নিয়র, মাষ্টর, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ, ৱিমেন বোদি বিল্ডিং, মেন্স স্পোর্টস ফিজিক অমসুং ৱিমেন মোদেল ফিজিক য়াওরি।

ক্রিকেট ঃ গুজরাতকী নন্দিয়াগী গোকুল ভাই-সোমা ভাই পাতেল ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা কর্নেল সি.কে. নাইয়ুদু ট্রোফি প্লেটকী ওসি শান্নখিবা মেটচতা সিক্কিমনা মণিপুরবু ইন্নিং অমগা রন ৯৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ কিরগিস্তানগী বিসেকতা ওরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমনা উজবেকিস্তানবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ভারতকী নুপী টিম অন্দর সভেন্তি ৱিমেন্স এসিয়ান কপ ২০২৬ কী ক্বালিফাইদ ওইখ্রে। ভারতকী নুপীগী টিমা মেটচ অনি থোইদুনা গ্রুপ-জিগী ওইনা হৌজিক মকোক্তা লৈরি।

বেদমিন্টন ঃ বেদমিন্টনদা ভারতকী শান্নরোই তনবি শর্ম্মনা মহাক্কী চাইনাগী লম্বাবু সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা বি.দব্লিউ.এফ ৱার্ল্ড জ্‌নিয়র চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ফাইনেল চংখ্রে।

তনবি শর্ম্মনা ৱার্ল্ড জ্‌নিয়র ফাইনেল চংবা ওন্বা ভারতকী মঙাসুবা শান্নরোই ওইরে।

------